ঈ কৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : চলৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবকী চহী ৫০ শুরকপা গোল্ডন জুবিলি থৌরমগী মনুং চন্না শীজ ব্লদ বেঙ্ক অমসুং ট্রান্সফ্যুজ সার্বিস লাম্বেল, ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নরগা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী ঈ কৎপগী থৌরম অমা চলৌ কাংলৌ লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী মেম্বর ১৫না ঈ কৎখি হায়রি।

রূপ মহল ঠিয়েটরগী ইফুৎ উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : রূপ মহল ঠিয়েটরগী নৌনা পুথোকপা প্লে ইফুৎ ঙসি নুংথিল ঠিয়েটর অসিগী হোলদা উৎখ্রে। প্লে অসি সুর্জিৎ অচোম্বা ইরগা বিশ্বমিত্রানা দিরেক্সন পীবনি হায়রি।

ক্লাস ৯গী রেজিষ্ট্রেসন

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. চিঙ্গাংবম শরতনা থোকপা নোটিস অমনা ক্লাস নাইন, ২০১৭ কী রেজিষ্ট্রেসনগী সবমিসন তৌবগী লাষ্ট দেট থা অসিগী ২৯ ফাওবগী ফাইনগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। ফাইন ওইনা মহৈরোয় অমনা লুপা ৫০ থীগদবনি হায়রি।

ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : অঙাংশিংগী পার্সনেলিটি/সেল্ফ দিভলপমেন্ট হেনগৎহন্নবা ঠিয়েটর ইন এদ্যুকেসন হায়বসিদা নুমিৎ ৫নি চথুগদবা ৱার্কশোপ অমা লীরোল ফননা শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ৱাখদা হৌদোকখ্রে। অঙাং ৩০ রোম্না শরুক য়াখিবা ৱার্কশোপ অসিদা নহারুপ, খুরাই, খুম্বোং,ময়াং ইম্ফাল, মোইরাংদসু মখা চথুগনি। মফম অমদা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৱার্কশোপ অসিগী তাকপী তন্বীরিবা এস এস দি ঠিয়েটর ইন এদ্যুকেসন পাসআউট, এক্টর/টিচর, অকোইজম লানঙম্বা মীতৈনি হায়রি।

নোঙাদা থোং লানবা থিংলে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : নোঙাদা থোংগী নাকল অনীগী লম্বীগী ফীভম ফত্তবনা মখল খূদিংমক্কী গাড়ীশিং লানবা থিংলে। লম্বীগী ফীভম শোক-চিল্লকপনা মরম ওইরদুনা মতম খরগী ওইনা থোং অসি লানবা থিংবনি। তৌইগুম্বসুং দাইভরসন রোদতা মীয়াম্না মতম খরগী ওইনা লাম্থোক লানশিন তৌনবা ইগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়ার নেসনল হায়ৱে দিভিজন নম্বর-৩ পি দব্লিয়ু দি মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফ্রী হার্ট কেম্প

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : স্কাই গ্রুপ ওফ হোস্পিটালসনা শীন্দুনা স্কাই হোস্পিটাল পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চতা থা অসিগী ২৪গী অয়ুক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ফ্রী হার্ট কেম্প পাঙথোক্কনি। কেম্প অসিদা ফ্রী ঈ সী জি/ব্লদ সুগর, মেদিসিন টেষ্ট তৌবগনি। ইকো স্কেনিং টেষ্ট চাদা ২৫ দিস্কাউন্ট পীগনি হায়রি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : য়াইঙংপোকপীদগী নাপেৎপলি ফাওবা মনুংদা তিংলিবা ৩৩ কে ভী ট্রান্সমিসন লাইন হয়েংদগী থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা সটদাউন তৌদুনা শবুংখোক অমসুং নাপেৎপলিগী ৩৩ কে ভী লাইনদা সিফটিং তৌগদৌরি। মরম অসিনা ৩৩/১১ কে ভী সব-ষ্টেসনশিং ওইরিবা নাপেৎ, চীংঙারেল, শাগোলমাং অমসুং সাইকুল কঞ্জুমরশিং হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই। কঞ্জুমরশিংনা খুদোংচাদবা অসি খাঙমিন্নসি হায়না দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর ট্রান্সমিসন দিভিজন নম্বর টু মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেদনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ওফিস হোংজিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) ময়াই লোয়শঙগী মীৎয়েং মখাদা কে এস এ জোনেল কাউন্সীলগী শঙলেন হোংজিনবগী থৌরম অমা ঙসি জোনেল কাউন্সীল অসিনা শীন্দুনা ময়াং ইম্ফাল মেরিয়েজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি এদ্যুকেসন, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট, কে এস এ ময়াই লোয়শঙগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম লক্ষ্মননা প্রসিদেন্ট অমসুং এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে গঙ্গারানিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা লোয়ননা কংলৈ খুন্নাইদা অনৌবা য়াওল অমা পীনবগী ৱাখল্লোন দা কে এস এনা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং অমদি মখা তানা চঙশিনগদবা খোঙজংশিংদা মীয়াম্না, মহৈরোয়শিং খুন্নাইনা শৌগৎপীদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইরক্ক বা হোৎনমিন্নবদা মতেং পাংমিন্নসি হায়বা ৱাফম লৈবাক মীয়ামদা থমখি।

মীতোপ পুশিল্লকপা এজেন্টশিংগী খুৎপু অমা লৈরে : ৱাই কে এ এল

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস):

মীতোপ মীয়ানচাশিংদা শাশিন্নবা শক্তাক চে পীরগা শেনফম কয়া লৌদুনা ইরমদম মণিপুরদা মীতোপ পুশিল্লকপা এজেন্টশিংগী খুৎপু অমা লৈব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না য়েলহৌমী কনবা অপুনবা লূপ (ৱাই কে এ এল)গী চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাই কে এ এলগী প্রসিদেন্ট লানঙম অঙোমনা থোকপা চেরোল অসিনা হায়, ইরমদম মণিপুর অসি মীতোপ মীয়ানচাশিংনা পুন্না য়োৎখিগদৌরে হায়না মিপাইবা অমদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা অপীকপা য়েলহৌমী ফুরুপ পূম্নমক চহী খরগী মতুংদা ইরমদম অসিদগী মুৎখ্রগনি হায়দুনা ইরমদম অসিদা লৈরিবা লূপ পূম্নমক্না লাংতক্লনা লাউনরিঙৈ চৈরকসিদা মপান লমদগী মীওই খরনা মীতোপ লেপ্পুনা পুশিল্লক্লি।

বিশ্রামনগর অগর্টালাদগী রাহুল দেব বর্মন কৌবা চহী ১৮দগী ২০ ফাওবগী লেঙ্গা ওইগদবা মীওই অমা ইম্ফালদা লৈবা হোটেল অমদা মিথাই শাবা য়াওগদবনি হায়না শক্তাকচবা মণিপুরদা লোন্না পুশিল্লক্কদবা মীওই অমগা লূপ অসিগী মীওইশিংগা ৱারী শানবদা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না, মীতোপশিং অদু জান্তুদাস কৌবা মীওই অমগা থৌবাল মোইজিংদগী মশক মমিং খঙদবা মীতৈ পাঙল অমগা মা কালি মন্দিরগী ভী আই পি রোদ, রোংপুর সিলচরদগী মমিং খঙদবা মীতৈ মচা অমগা মীওই অহুম অসিনা মণিপুরদা পুনশিন্নবা কন্ট্রেক্ট তৌরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মীতোপশিং অদুদগী লুপা ৩৫০০/৩৫০০ লৌরগা মণিপুরদা থবক পীগনি লোয়ননা থা অমদা থবক শুবগী খুৎশুমন ওইনা চাবা থাক্লগা লুপা ৫০০০দগী ৮০০০ ফাওবা পীগনি হায়রকই হায়বা ৱাফম মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক মশাগী মোবাইল ফোন অদু য়োম্থোক্লগা লুপা ৩৫০০ হায়রিবা এজেন্ট অসিদা পীখি হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি।

জান্তুদাস হায়রিবা মীশক অসি হিন্দী নীংথিনা ঙাঙবা ঙমই। মহাক্না চৎমিন্নরিবা মীওইশিং অদুদি হিন্দী ঙাঙবা ঙমদে। অসিগুম্বা থৌদোক অসিনা মীতোপ মীয়ানচাশিং পুশিল্লক্লবা এজেন্টশিংগী খুৎপু অমা লৈরে হায়বা খঙলে। ইরমদমসিদা মীতোপ পুশিল্লকপদা শীজিন্নরিবা অশাবা শক্তাকচেশিং, মসিগী শাফম, এজেন্ট ওইদুনা শেল তাল্লিবা মীওইশিং, মীতোপ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা মখোঙ মরি পানবা গাড়ীশিং, মীতোপশিংগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌরিবা, অহোঙবা খুৎশুমন্দা থবক নেকপা পান্বা শেঞ্জাও পায়বশিংগী মশক মমিং লুপ্পা খঙলে। লোয়ননা মখোয়গী ফোটো, গাড়ী নম্বর, মরী লৈনবা চে-চাং পূম্নমক লূপ্তা লৈরে। মখা তানা মীতোপশিংবু ইরমদম অসিদা পুশিল্লকপগী থবক লেপত্রবদি মশক মমিং, ফোটো লোয়ননা মীতোপশিংবু খোঙদাফম পীরিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী লৈফম পূম্নমক অমত্তা চিংথদনা মিদিয়াগী থোঙনা ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা খঙহল্লগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মরী মখোঙশিং তাকখিরোই। মরমদি মদুনা মরম ওইরগা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈরি।

মতম চানা মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি। মীতোপ চঙশিল্লকপগী মতাংদা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙদবগুম তৌরি। অতোপ্পা মপানগী ষ্টেটশিংনা ফাওবা লম্বীদা লৈরিবা মণিপুর পুলিসকী চেক পোষ্টশিংনা মীতোপশিংনা পায়রিবা শাশিন্নবা শক্তাকশিং নীংথিনা চেক তৌদে, ৱাহং পাউহং তৌদে হায়না মরাল শীরক্লি।

জীরিঘাত পুলিস চেক পোষ্টনা শক্তাক চেশিংদু ফোটোষ্টেট কোপি অমমম লৌহৌরগা থমহৌই। মরম চানা চেক তৌবগী মমি তাদে। কৈথেলমানবী পুলিস চেক পোষ্টনসু মথৱায় য়াওনা মীতোপশিং চেক তৌবগী মমি উদে হায়না মরাল শীরক্লি। অসিগুম্বা অসি মণিপুর লৈঙাক্কী অশোয়বনি অমসুং মীয়ামগী লাইবক থীবনি।

মতাং অসিদা জে এ সী আই এল পি এসনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। সী এস ওশিংনসু চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবা চুমগনি। লোয়ননা লৈঙাক্লসু য়েলহৌমী কঞ্জনবা চৎনলোন অমা অথুবদা শেমদুনা মণিপুরদা রেল গাড়ী লাক্ত্রিঙৈদা চৎনহনবীনবা হোৎনবা তঙাইফদে। মদু নৎত্রবদি ইরমদমসিদা মীতোপকী ঈচাউ থোক্তুনা য়েলহৌমীশিং মুৎখ্রগনি হায়রি।

ইরমদমসিনা লৈখা তারবা, মীতোপ মীয়ানচাশিংগী খুবামনুংদা তাখিগদৌরিবা ফাওবদা ইরমদম অসিগী নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঙাক্কী ইপাক্তা তাওদুনা শুম চারবা, তেক্কদবগী ঙাইদুনা লৈরবা, লৈকাং চারবা য়ুম্বীগুম্না তুরোই-ঙারোই হিংলক্লি। ইচে-ইচল কয়ানা মপুরোইবনা হন্না য়েংবিদ্রবা, ইমুং-মনুং, মচা-মশুশিংবু মীমান্ননা মহৈ তম্নবা পুকচাক থিবদা ঈকায় ইকি ৱাংমা লান্না হিংনবগী লানফমদা লাম্থেংনরি। অহল ওইরবা ইপা শক্লবা কয়ানা মচা-মশুশিংগী খনবদা তুম্ফম চাফম খঙদনা লেল্লি। ৱাদনা নুংঙাইবা পান্বা কনাগুম্বশিংনা নুংশাগী মৈশা খাংনবা মতম লেম্নবগী মিংদা জুৱা শান্নদুনা মতম মাঙহল্লি।

ঐখোয় মীকপ থোক্লসি, মীতোপকী ঈশিং ঈচাউ থোক্তনবা য়েক্লবনা থুগাই য়ৈখাইবা ঙল্লোইদবা পল অমা মাঙজৌননা শেম শাহৌরসি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

‘চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং মতম চানা লোইশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রগা য়েংশিনবা চত্তে। মণিপুর লৈঙাক্না চহী কয়া থৌশাদনা লৈরক্লবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং মতম চানা লোইশিনবীয়ু হায়না সমাজগী এদভাইজরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর এম দি রিয়াজুদ্দিননা ফোঙদোকখ্রে।

ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটি কম্মিটি (অম্মোকোক)না শীন্দুনা ইরোং খুন্নৌ কম্ম্যুনিটি হোলদা ইরোংদগী কৈরাক ফাওবদা লৈবা খুঞ্জাশিংগী লোকল কম্মিটি শেম্বা অমসুং ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খুল কয়া ফাওনরিবা ইরোং খুন্নৌ অমদি মুতুম ফিফৌগা ফাওনরিবা সস্পেন্সন ব্রিজ মমাঙ চহীদগী ঙসি ফাওবা শেম্বীদ্রিবসি খুঞ্জাশিংনা মণিপুর লৈঙাক্তা ৱারৌই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লৈঙাক্না চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎখ্রে হায়রগা হৌজিক ফাওবা থবক হৌদ্রিবশিং য়েংশিনবা চৎপনি। কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর থাদা শকখঙদবা মীওইশিংনা ইরোং অমদি মুতুম ফিবৌ অনীগী মরক্তা শাবা থোং অসি মৈ থারমখি। থোং অসিনা থৌবাল অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা খুঞ্জাশিং ফাওনরিবনি। মরুওইখ্রবা থোং অসি মৈ চাকখিবদগী মণিপুর লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং অমদি দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমত্তনা ঙসি ফাওবা লাক্তবসি করিগীনো?

মীয়ামগীদমক লৈরিবা লৈঙাক্না খুঞ্জাশিংগী অৱাবা হন্না য়েংবীদবসি করম্বা লূচিংবশিংনো? ইরোং খুন্নৌদা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিসু কুমজা ২০১২/১৩দগী শাবা হৌখ্রগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দনা থল্লি। প্রাইমারী হেল্থ সব-সেন্টর অমখক লৈরিবা অসিসু অনাবশিং লায়েংবদি লায়রদনা মথৌ তৌগদবা ডোক্টর অমদি নর্সশিং লাক্তবনা নাপীশিংনা লেপ য়ৌরে। ফীভম অসি অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক পায়খৎফম থোকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মতম চানা লোইশিনবীনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্না চাউখৎ থৌরাংগী থবক অসি পায়খৎপীদবা তারবদি খুঞ্জাশিংগা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অম্মোকোককী প্রসিদেন্ট এস এম জলান, ইরোং চেশাবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি সলাম, দব্লিয়ু এম দি ওগী প্রসিদেন্ট অনৱারী নুরজাহাননচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

জি সী তোংব্রাগী প্লেশিংগী ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস):

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা ঔগ্রি ঠিয়েটর রেপর্টরি ক্লাকৈথেল লাই নোংশাবনা শীন্দুনা ৬শুবা ষ্টেট লেবেল ফেষ্টিবেল ওফ সী দি তোংব্রাস প্লেস ২০১৭ ঙসি হৌদোকখ্রে।

সয়াংদা লৈবা উশাভবন ক্লবকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জি সী তোংব্রাগী মিতমদা লৈশু কত্তুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুদা কে ঐচ ভুবোন অর্কাইবিজ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট, জি এ রিবচন্দ্র চ্যেরমেন ফেষ্টিবেল কম্মিটিনা প্রসিদেন্ট অমসুং ভুধ চিংথাম প্লে রাইট, দিরেক্টর অমসুং ঠিয়েটর ক্রিটিক্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা কে ঐচ ভুবোননা হায়খি, সোসল সিষ্টেম অসিবু নোকহন্দুনা জি সী তোংব্রানা ইবা লীলা কয়া শান্নরি। অসিগুম্বা থৌরম অসি ঔগ্রি ঠিয়েটরসু রিচুয়েল ওইবা মওংদা চঙশিল্লকপা ঙাক্তনি। মরম অদুনা তুংদসু মপুং ফাবা ওইহনসি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙবদা ভুধ চিংথামনা হায়খি, মোদর্ন ঠিয়েটরগী মপানি হায়না জি সী তোংব্রাবু মীয়াম্না শীংথানরিবনি। ওজা অসিগী মফমদা তোপ তোপ্পা ফাগি পুবা মহাও অমা য়াওরি। হৌজিক্কী অনৌবা য়াওল অমা ওইনা মিনিষ্ট্রিগী ওইনা মহৈরোয়শিংদা খঙহন্নবা তন্বীবা অমসু য়াওরক্লে। অমরোমদা, ঠিয়েটর হায়বসি এদ্যুকেসন্দা চঙশিল্লক্লবনি।

ঔগ্রি ঠিয়েটর রিপর্টরিগী দিরেক্টর রনবির মঙাংনা হায়খি, অনৌবা য়াওল, অনৌবা খোঙথাং অমদা চঙশিল্লকপনি। ঠিয়েটরদা প্রোফেসন ওইরবশিংনা মফম মফমগী খেন্নবা লৈতনা লীলা শান্নবা ঙম্বদু ওইহন্নিংই। প্রোফেসন হায়বসিদি চিলহাও থিবা য়াদে। অফবা ফত্তবা মফমশিংগী খেন্নবা লৈগনি। অদুবু গ্রুপ খরনা থৱায় য়াওনা শরুক য়াবীবগীদমক নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

এৱেয়রনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস) :

মোইরাং থাঙ্গ স্কিল দিভলপমেন্ট কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদনা শীন্দুনা ওফিস ওফ দ দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার হেন্দিক্রাফ্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌবা ফিশা-লোনশা অমদি লি-ৱা শুবা শিন্নীশিংগীদমক পায়খৎপা ‘অম্বেদকর হসতা শিলপা বিকাশ য়োজনা’ প্রোজেক্টকী মখাদা নোংমগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ এৱেয়রনেস কেম্প অমা মোইরাং ফিৱাংবম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, ঐচ বিরা রিটয়ার্দ হেদমাষ্টরনা প্রসিদেন্ট অমসুং এম প্রেমিলা কাউন্সীলর মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। কেম্প অদুদা এক্সপার্ট পেনেল ওইনা দব্লিয়ু বিরেঞ্জিৎ রিটয়ার্দ এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মণিপুর, এম সঞ্জিৎকুমার এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর হেন্দিক্রাফ্ট মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, জয়শ্রি প্রোজেক্ট ওফিসার আই সী এম ইম্ফাল লম্ফেলপাৎ অমসুং মোইরাং ব্রাঞ্চ য়ু বি আই বেঙ্ক মেনেজরনচিংবা মীওইশিংনা ৱা ঙাঙদুনা আর্টিসান ৱার্করশিংবু সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী মতাংদা ৱাখল তানা তাকপীখি। অরোইবদা হেন্দিক্রাফট আর্টিসানশিংগী আই দি কার্দশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

এ আরগী এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস):

দি জি এ আরগী মীৎয়েং মখাদা আই জি এ আর (সাউথ)না শীন্দুনা ইম্ফালদা অসাম রাইফলস এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা অসাম রাইফলসকী এক্স-সার্বিসমেন রেল্লি অদু আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল ভিরেন্দ্র সিংহ ভী এস এমনা প্রিসাইদ তৌখি অমদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী লাকপা ৱর্ল্ড ৱার টুগী ভেটেরানশিং, বির নারিশিং, লুখ্রাবীশিং অমদি এক্স-সার্বিসমেনগী ইমুং-মনুংগী মীওই ৬৭৮না রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল মন্ত্রিপুখ্রিগী মহৈরোয়শিংনা মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগী ঈশৈ শক্তুনা হৌদোকখি। মতুংদা মেজর জেনরেল ভিরেন্দ্রনা থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্বু তরাম্না ওকখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, অসাম রাইফলসনা ভেটেরানশিংগী য়াইফনবা অমসুং মখোয়গী পুন্সিদা তেংবাঙনবা মীৎয়েং থল্লি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা পেন্সন অদালত অমসুং ওপন হাউস পাঙথোক্কনি। মসিনা পেন্সনগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং লোইশিন্নবা হোৎনগনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিং, বেঙ্কশিং, হোস্পিটালশিং অমসুং সিবিল এজেন্সীশিংনা রেল্লি অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাক অসিগীদমক্তা কখোকখ্রবা অমসুং মখোয়গী মীহুৎশিংবু অঙান্বা থাক্তা শৌগৎপীগদবনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা রেল্লি অসি নোংমখক্কী থৌরম নত্তে। ৱি কনেক্ট, ৱি ক্যের হায়বা থিমদা ভেটেরানশিংগা মরী থম্নবা হৌবন হায়নসু ফোঙদোকখি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি



ময়াং ইম্ফাল য়াংবিদা লৈবা মু: জিআউল হকনা 14th August 2016 দগী Piles লায়না মখল অসি তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা লায়েংবা হৌখি। হায়রিবা মতম অসিদগী 28th March ফাওবগী মনুংদা লায়েং মখল অসিগী ওইনা মীওই ১৫০০ মুক মায় পাক্লা লায়েংখিবগীদমক All Manipur Art & Culture And Sports Development Society না চহী খুদিংগী লেপ্পুনা পাঙথোকপীরিবা Peace & Communal Harmony and "AMACSDS" Award চৎলিবা থাসিগী তাং ১৬/০৪/২০১৭ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা লময়ানবা শঙলেনদা মু: জিআউল হকপু Best Kabiraj in Manipur মীংথোনবীরগা এৱার্দ পীবীরকপগীদমক "AMACSDS" কী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরিবা মু: অলতাফ হুসেন অমদি অতৈ মেম্বর খুদিংমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়না মপুদা দুআ তৌজরি।

অদোমগী ঃ **Phusam Sanatomba**
General Secretary, The Modern Development Organisation,
Mayang Imphal Bengoon Sabal

HL-P/1410/23

এদভোকেট জেনরেলগী ফম মীতোপ্তা হাপকনু : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস):

মণিপুর হায় কোর্টকী হাংদুনা লৈরিবা এদকোকেট জেনরেলগী ফম অসি মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা মীওইদা হাপ্পীদনবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরগী মায়কৈদগী লৈঙাক্লোয়শিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

য়ু পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন দিনেশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এদভোকেট জেনরেলগী ফম অসি পায়বিনবা মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা মতিক চাবা মীওই অমত্তা লৈত্রবদৌনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা উরিবা অসি মণিপুর খুন্নাইদা শোক্লক্কদবা অচৌবা মরম অমনি। খুন্নাই অসিগী ৱায়েল থৌদাদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীশক অমবু মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা মণিপুরী লোলসু খঙদবা মীতোপ অমদা শীন্নদুনা পায়হনবা হায়বসি লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইগনি।

মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়ানা খুন্দামিন্নদুনা মণিপুরী লোন্না মপুং ওইনা ঙাঙনরিবা লমদম অমনি। মসিদা মণিপুরী লোল অমসুং চৎন-লোনচৎ মমুৎ তানা খঙদবা মীশক অমদা এদভোকেট জেনরেলগী ফিদা শীন্নথোকখিবা হায়বসি ঈকায়নিংঙাইনি। মণিপুরদা লৈরিবা শীনফম অসিদা থবক তৌজবা মীওই কয়াদদি অচৌবা নিংহন্নবা অমা থোক্লগনি হায়না য়ু পি এফ মণিপুরনা লৌদবা ঙল্লোই।

মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না মশা মশাগী পোক্লফম লমদম অদুবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা লেপ্পুনা হোৎনরিবা মতমনি।

অমরোমদা, আই এল পি এসকী খোঙজং অমদি নন-মণিপুরী অমদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী ফম পীখিদুনা চরাংনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অসিগুম্বা এদভোকেট জেনরেলগী ৱাফম অসিনা লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবীদনবা মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। হৌজিক হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহুল খঙনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপীদুনা চাউখৎপা ইরমদম অমা ওইনবা হোৎনরিবা অসি থাগৎপসু ফোঙদোকচরি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা থৱায়দগী ইরমদম্না হেন্না লুই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু চেৎনা থাজবা থমদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওর্দর মতুং ইন্না এদভোকেট জেনরেলগী ফম হাপ্লকপা তারগসু মণিপুর মীয়ামগী য়েংবীরগা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরী মচা ওইনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা মতিক চাবা থৌদাং লৌবীদুনা মীয়ামগী থম্মোয়নুংদা লৈরিবা লাংতক্লবা অসিবু কোকহনবীদুনা ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনবীয়ু হায়রি।

হায় কোর্ট বার এসোসিএসন অমদি অতৈ লূপশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক য়ু পি এফ মণিপুরনা মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়রি।

কে এস এনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী স্কুলশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস):

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনা লীশাং শীৎনা চথুরকপা মহৈলোয়-শঙশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎকী মনুং চন্না ঙসি হৈরোক, ৱাবগাই, হিয়াংলম, ৱাংজিন তেন্থা, থৌবাল, খাঙবোক, ৱাংখেমনচিংবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীশিংগী স্কুলশিং য়েংশিনখ্রে।

কে এস এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী চেরোল অমনা হায়, কে এস এনা ঙসি য়েংশিনখিবা স্কুলশিং অদুদি হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা হৈতুপ্পোকপী অপ্পর প্রাইমারী স্কুল, চন্দ্রখোং ফঞ্জানখোং হায় স্কুল, ইরোং প্রাইমারী মদ্রাসা স্কুলনচিংবা য়েংশিনখি। মদুদা ওজা মশীংগা মহৈরোয় মশীংগা য়াম্না চানদবা য়াওরমখি। মতুংদা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা সঙ্গাইয়ুম্ফম হায় স্কুল য়েংশিল্লুবদা মহৈরোয় ৬০২বু লন্নাই ওজা ১১না হাপচিন্দুনা তাকপী তন্বীরম্বা থেংনখি। ৱাংজিন তেন্থা এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পুলৈপোকপী প্রাইমারী স্কুল, পুলৈপোকপী তেন্থা খুন্নৌ প্রাইমারী স্কুলসু য়েংশিনখি। মখা তারকপদা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবল প্রাইমারী স্কুল য়েংশিনখি। স্কুল অদুদা ওজা অমা অমসুং মহৈরোয় অহুম স্কুল কারম্বা থেংনখি।

ৱাঙ্খেম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা খোইরোম জুনিয়া হায় স্কুল অমসুং থৌবাল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা কাঙা শেনবী প্রাইমারী স্কুল য়েংশিনখি। মতুংদা নোংশাংখোং অপ্পর প্রাইমারী স্কুল য়েংশিল্লুবদা স্কুল অদুদা ওজা ১০, মহৈরোয় ১০ লৈরম্বা থেংনখি। তৌইগুম্বসুং স্কুলদদি শুপ্নগী মহৈরোয় অনীদগী হেন্না লৈরমদে হায়রি। মখা তারকপা ওইনা থৌবাল ওক্রমদা লৈবা অপ্পর প্রাইমারী স্কুল য়েংশিল্লুবা মতমদা মহৈরোয় অমত্তা লৈরমদে। তৌইগুম্বসু মহৈরোয় অমত্তা লৈতবা স্কুল অদুদা ওজা ১০ লৈরমই হায়রি।

শা-ষণদা হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ : তানিং দিভ্লপমেন্ট ক্লব, ময়াং লাংজিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটিরিনরিগী জোইন্ট দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা ফুল্লৌ ভেটিরিনরি দিসপেন্সগা খুৎশম্নরগা ঙসি ময়াং লাংজিং তানিংদা শা-ষণশিং হীদাক কাপথোকখ্রে। শা-ষণদা মখোঙ মখুৎ নাবা, মচিন মরৈগী হীদাক এফ এম দি হায়রিবা হীদাক মখল অসি শা-ষণ ২০০ রোমদা কাপথোকখি। হীদাক অসি কাপথোকখিবনা শা-ষণ খরমখৈদি লায়না অসিদগী কনবা ঙম্লগনি। ক্লব অমদি লমদম অশোমগী মীয়াম্না ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টবু তৌবীমল খঙবা উচরি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ꯀꯥ ꯁꯪꯉꯔꯤ/ কা শাঙ্গরি

কৈশামপাৎ জঙ্কসনদা লৈবা বিল্ডিং অমগী Floor খরা শাঞ্জরি। কোচিং সেন্তর নৎত্রগা ওফিস ওইবদা খুদোংচাগনি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা নম্বর অসিদা কন্টেক তৌবীয়ু।

HL-P/1383/21-23

Contact No. ☎ 8974586371

ꯗꯨꯠꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ DUTTA CLINIC ꯗꯨꯠꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

HL-B/3795/06/04-05/05

ꯗꯨꯠꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

CROSSWORD-2391



ACROSS

1 Figure of speech (8)
6 Zodiac sign (3)
9 Performed in a play (5)
10 Chivalrous, dashing (7)
11 Refuse politely (7)
13 Free from obstructions (5)
14 Noon (6)
15 Poland's capital (6)
19 Afterwards (5)
21 Exterior (7)
22 Female singing voice (7)
23 Dire (5)
24 Scarlet (3)
25 Clamber (8)

DOWN

2 Lured (7)
3 Assistance (3)
4 Loftier (6)
5 Unwilling (9)
6 Go away (5)
7 Aquatic mammal (5)
8 Bicycle for two (6)
12 Behind with payments (2,7)
16 Proficient (7)
17 Every seven days (6)
18 Hue (6)
19 Defeated contestant (5)
20 Slightly warm (5)
23 Provide with weapons (3)

Solution 2390



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2190

						9	4	
6					3	7		
9		1		7		6		
7	1		3			4	5	
8								9
	3	4			9		7	6
		7		9		1		3
		3	5					4
	8	2						

Solution-2189

9	3	5	6	7	1	4	8	2
2	7	8	3	9	4	5	6	1
1	6	4	5	2	8	9	7	3
6	8	2	1	5	3	7	9	4
7	1	9	8	4	2	3	5	6
5	4	3	7	6	9	2	1	8
8	9	1	2	3	5	6	4	7
4	2	6	9	8	7	1	3	5
3	5	7	4	1	6	8	2	9

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9